# ঙাঙোম বলানা পাঞ্জল চনখিদ্রবসু রেঞ্জর্সনা স্পার্টন্সপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



ইদিনবর্গ, নবেম্বর ১(এজেন্সী): মণিপুর মচা ঙাঙোম বলানা ঙসি শান্নখিবা স্কোটিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগকী অনীশুবা মেচতা মহাক্কী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীনা দি স্পার্টন্স এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবদা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ওক্টোবর ১৮দা শান্নখিবা লীগ অসিগী ওইনা বলানা ষ্টার্টিং ইলেভেনদা য়াওবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাফতা শান্নখি। হায়রিবা মেচ অদুদা রেঞ্জর্সনা হার্ট ওফ মিদলোথিয়ন্সবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। লীগ অসিগী অপূনবা টিম মশীং ৮নি। ঙসি বলা মেচ অদুগী হৌবদগী শান্নবা ঙমখি। ১৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা কোর্নর কিক্ অমা ফংখি। ক্ল্যের জেমেলনা কাওরকপা কোর্নর কিক্ অদু বলানা ফংদুনা শাফূ কন্না কাওশিনখিবদা স্পার্টন্সকী দিফেন্দরদগী থক্তোক্লগা চৎখি।

থংনবা মিনটতা রেঞ্জর্স এফ সীগী মায়কৈদগী কর্ষ্টেন রাইলিনা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট দেমি ভান্সনা হেদ তৌশিন্দুনা রেঞ্জর্সকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল মাংজিল থারবা রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা লিজি অর্নোটনা দিবোক্সতা থাদরকপা বোল অমা বলানা চোঙখৎলগা হেদিং তৌশিনবদা মপা খরা ওন্নবদগী পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা রেঞ্জর্সকী পাঞ্জল অমখক্তগী হেনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দেমি ভান্সনা ৫২শুবা মিনটতা কাওশিনখিবা বোল অমা স্পার্টন্সকী গোলকিপ্পরনা ফাবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা বলাবু টিম অদুগী কোচনা চেলসি কোর্নেটনা শীন্দোকহনখি। কোচ অদুনসু মখা তানা ৬০শুবা মিনটতা ব্রোগন হেবু দাইনা বোর্মানা শিন্দোকখি। এটেকমখা তানা চথরবসু স্পার্টন্সকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মখোয়গী গোল অদু ঙাকখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈতনা মেচ অদু রেঞ্জর্স এফ সীনা ১-০দা থোইখি। থা অসিগী ১৫দা রেঞ্জর্সনা মখোয়গী লীগ অসিগী ৩শুবা মেচ অদু সেল্টিককা শান্নগনি। অদুগা ২২দনা ফোর্ফার ফার্মিংটনগা শান্নগনি।

# ‘য়াইসা স্পোর্টস এরেনানা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা ইনোৎ হাপ্লগনি’

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১(ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর অসিসু শান্ন-খোৎনবগী লম্দা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লিবা ষ্টেট অমনি। মণিপুরদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চানা লৈত্রবসু হীরম খূদিংদা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লি। মণিপুরগী নহাশিংনা য়াম্নসু পাম্না শান্নরিবা অদুগা মালেমগী মীয়াম্নসু খ্বাইদগী হেন্না পাম্না য়েংনরিবা মশান্না অমা হায়রগদি ফুটবোল অসিসু অমনি।

মণিপুরগী ফুটবোলবু নুংশিজবা অমসুং য়োকখৎনিংবা মীওই কয়ানা লন্নাইগী ওইবা আর্টিফিসল টর্ফ শান্নবুং মচা-মচা হায়বদি মীওই ৫/৫ শান্নবা ফুটসালগী মওংদা শান্নবা য়াবা গ্রাউন্দশিং শেমদুনা শান্নরোয়শিংনা নোংজু- নুংশা খাক্তনা শান্নবা য়াবা গ্রাউন্দশিং শেম্নরি। মণিপুরগী অহানবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘড়ীদা লৈবা এয়রপোর্ট মনাক্তা 'কাগো ফুটবোল আর্টিফিসল টর্ফ' হায়না খঙনবা গ্রাউন্দ অমা শেমদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীখ্রবা তুংদা ইম্ফালগী মফম ৫/৬তসু লন্নাই মীওইশিংনা হায়রিবা মখলগী গ্রাউন্দ অসি শেম্নখ্রে।

ইম্ফালদগী খরা হাইদোকখ্রগা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং হায়বদি থৌবাল, ককচীং, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং মহাদেবা লৌকোল, দি এস এ গ্রাউন্দ মনিংদা 'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' হায়না মিংথোনবা আর্টিফিসল টর্ফ শান্নবুং মচা অমা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্তুনা চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা চয়োল ফাওবদা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা গ্রাউন্দ অসিগী কান্নবা পীবা হৌরগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা 'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' অসিগী ফাইনান্সর অমসু ওইরিবা কে এস ঐচ ধর্মাদাস, ককচীং ময়াই লৈকাইদা লৈবগা অখন্ননা উনরুবা অমদা কে এস ঐচ ধর্মাদাসনা হায়, মহাক্কী মচানুপা কে এস ঐচ য়াইথোই অমসুং মহাক্কী মমান্নবা পুখ্রম্বম সচিকান্ত, অপোকপা পি রঘু, ককচীং চুম্নাং লৈকাইদা লৈবা মখোয় অনীনা ককচীংদসু আর্টিফিসল টর্ফ শান্নবুং মচা অমা থমদুনা হৌরক্লিবা ফুটবোলবু পামজবা অঙাং কয়া, নহা কয়া অমদি মীওই কয়াদা নোংজু-নুংশা, অয়ূক-নুংথিল অমদি নুমিদাং খাক্তনা শান্নবা য়াবা মফম অমা শেমগৎপা মথৌ তাই হায়না হৌদোরকপদগী মচাশিংনা পাল্লিবা অদু মরম চাবা অমসুং অফবা থবক অমনি হায়না খনবদগী মহাক মশা অমসুং সচিকান্তগী অপোকপা পুখ্রম্বম রঘুগা তানদুনা শান্নবুং অসি শেমগৎপা হৌরকখিবনি। মচাশিংনা অপাম্বা ওইজরবসু ফাইনান্সর (শেল-থুম)গী মপূং ওইবা থৌদাংদি মহাক অমসুং পুখ্রম্বম রঘুনা পুথোকপনি।

পোইন্ট ৫০ পাক-চাওবা মফম অমা লৌরগা 'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' অসি শেমগৎপা হৌরকপনি। ফীট ১১০x৮০ পাক-চাওবা আর্টিফিসল শান্নবুং অসি আর্টিফিসল টর্ফ থাগদবখক ঙাইরে, আর্টিফিসল টর্ফ থাননবা অয়াম্বা শরুক য়ৌরক্তুনা লৈরে, মতেক অমা ৱাৎপদগী ঙাইনবনি। লোকদাউন মতম শাংনা লৈখিবনা মচাকশিং মপান্দগী পুশিল্লক্লদবা ওইবনা শেম-শাবা লোইশিনগদবা অদু খরা ৱাৎতুনা লৈবনি। চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা লোইশিন্দুনা শঙ্গারবা মতুংদা গ্রাস রুটকী থাক্তা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা রেগ্যুলর ওইবা ফুটবোল কোচিং অমা পাঙথোকপা হৌননবসু হোৎনগনি।

'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' অসিগী মপূং ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু চাং নাইবা ফুটবোলগী কোচিং পীদুনা অফবা ফুটবোল্লর পুথোকপা। ফুটবোল নীংথিনা শান্নরবা শান্নরোয়শিংনা নোংজু থাগী মতমদা ফুটবোল প্রোক্টিস তৌনিংলবসু লৈকাইগী, ক্লবকী লৈরিবা শান্নবুংশিংদদি লৈখোম থোকপনা য়াদবগী অৱাবা কয়া লৈরিবসি মফম অসিদা অপীকপা শেল খরা-খরা পীরগা প্রেক্টিস তৌবগী খূদোংচাবা ফংহনবা। প্রাইভেটকী নৎত্রগা লন্নাইগী ওফিস কাদুনা, দুকান ফমদুনা অয়ূক নুংথিলদা থবক তৌরুবা অদুগা হঞ্জিল্লকপদা হকচাং শাজেল ওইনা মীওই খরা পুল্লগা অহাঙবা অয়ূক-নুংথিল নৎত্রগা নুমিদাংগী মতমদা ঙাইহাক ফুটবোল শান্ননিংলবসু মফম অসিদা লাক্তুনা শান্নবগী খূদোংচাবা পীগদৌরিবনি। মপূং ওইনা 'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' অসিনা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা ফুটবোলগী লম্দা মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ইনোৎ হাপ্লগনি' হায়বগী থাজবা লৈ। মীয়াম্নসু অচৌবা মতেং পাংবীদুনা 'য়াইসা স্পোর্টস এরেনা' অসি কুইনা শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।



# রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ইটালিগী লোরেঞ্জো সোনিগো থোইদুনা ভিএনা ওপন টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

ভিএনা, নবেম্বর ১(এজেন্সী): ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ভিএনাদা ওক্টোবর ২৬তগী শান্নবা হৌরকখিবা ভিএনা ওপন এ টি পি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ইটালিগী লোরেঞ্জো সোনিগোবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা এন্দ্রি রুব্লেবনা সেমীফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু গেম ৪-১দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ এন্দরসন মখা তানা শান্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা, রুব্লেবকী লম্বা ওইখিবা লোরেঞ্জো সোনিগোনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা গ্রেটবৃটেনগী দান ইভান্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। পনবা য়াবদি লোরেঞ্জোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু নাকল অনীমক লম্বা মান্নখি। অহানবা সেট অদুদা রুব্লেবনা লোরেঞ্জোগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অদুগী কান্নবা লৌদুনা ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুসু অহানবা সেটকু ম্মা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী লাকশিন্নবা ঙম্নখিদ্রবসু তাঞ্জা অফবা অমদা রুব্লেবনা অমুক্কা হন্না ইটালিগী শান্নরোয় অদুগী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা থোইরগা ফাইনেল মেচ অদু মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সিদেদ প্যের পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রজিলগী মার্সেলো মেলোগা গ্রেট বৃটেনগী প্যের জেমি মুরে অমসুং এন স্কুপস্কিগা ফাইনেল শান্নখি।

অহানবা সেট অদু মান্নখিবদগী টাইব্রেকতা য়ৌরকখি। মদুদা কুবোট অমসুং মেলোনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুসু গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নরগা লাকখি। অদুবু কুবোট অমসুং মেলোনা থংনবা গেম অনী থোইদুনা টাইটল লৌখি।



# চেন্নাই সুপর কিংসনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে, কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রাজস্থান রোয়লস রন ৬০দা থোইখ্রে

IPL 2020

দুবাই/অবুধাবী, নবেম্বর ১(এজেন্সী): চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙসি অবুধাবীদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৫৩শুবা মেচতা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ৯দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা দুবাইদা শান্নবা ৫৪শুবা মেচ অদুদনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৬০দা থোইখ্রে।

চেন্নাই সুপর কিংস টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৫৩ লৌবা ঙমখি।

ওপনর অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা লোকেশ রাহুল অমসুং ময়াঙ্ক অগরৱালনা অপূনবা স্কোর ৪৮ য়ৌহনখি। অগরৱাল রন ২৫দা আউট ওইখি। ওভর ২ লৈরগা রাহুলসু রন ২৯ লৌরম্লগা আউট ওইখি। খৃস গেল অমদি পুরাননা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ৬ খক হাপচিল্লগা পুরান রন ২দা আউট ওইখি। অপূনবা স্কোর ৬৮দগী ৭২ শুরকপদা গেল রন ১২দা আউট ওইখিবদগী কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী ফীভম শোকচিনখি। মন্দিপ অমদি দিপক হুদানা অপূনবা স্কোর ১০০ লাম্থোকহনখি। মশাগী রন ১৪ শুরকপদা মন্দিপ আউট ওইখি। অদুবু দিপক হুদানা য়াম্না ফজবা মওংদা বোল ৩০ খক মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬২দা লৈখি। মখোয়গী অপূনবা স্কোর ১৫৩শুখি।

মায় পাক্লনবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১৫৪ অদু ৱিকেট ১ আউট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী মঙাশুবা বোলদা লৌবা ঙমখি।

ওপনর রুটু রাজ গেক্বাদ আউট ওইদনা রন ৬২ লৌখি। অতোপ্পা ওপনর প্লেসিস রন ৪৮দা আউট ওইখি। লোয়নন অম্বাটি রায়ুদুসু আউট ওইদনা বোল ৩০দা রন ৩০ লৌখি।

৫৪শুবা মেচতা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৬০দা থোইখি। মেচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা বেটিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ইয়োন মোর্গাননা আউট ওইদনা বোল ৩৫দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৬৮দা লৈখি। মহাক্কী স্কোর অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওপনর সুবমান গিল রন ৩৬ লৌরমখি। লোয়ননা ট্রিপাথি রন ৩৫ য়ৈবা ঙমখি। ইন্নিংস লোইরমদাইদা রসেলনা শুপ্নগী বোল ১১দা রন ২৫ লৌরমখি।

মেচ মায় পাক্লনবা রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী রন ১৯২ টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নবদা বেটচমেন ৯ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৩১ খক লৌখিবদগী রন ৬০দা মখোয় মায়থীবা নংখিবনি।

হয়েং ৫৫শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলস অমসুং রোয়লস চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর শান্নগনি।

# কিরেন রিজিজুনা কিলোমিটর ২০০ শাংবা ‘ফিট ইন্দিয়া ৱাকাথোন’ লমথাখ্রে




জয়সালমর, নবেম্বর ১(এজেন্সী): লৈবাক শীনবা থুংনা ঙরাং পাঙথোকখিবা নেসনল য়ুনিটি দে (সর্দার বলভাই পটেলগী পোকপগী কুমওন)গা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা কিলোমিটর ২০০ শাংবা ফিট ইন্দিয়া ৱাকাথোন ঙরাং রাজস্থানগী জয়সালমরদগী লমথাখ্রে।

ইভেন্ট অসি ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)না শীনবনি। মসিদা আই টি বি পিগী পর্সনেল ১০০ অমদি তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংগী পর্সনেল কয়া অমসু শরুক য়ারি।

ৱাকাথোন অসি নুমীৎ হুম্নি চুপ্পা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লোন্নবা মরুভুমী থারগী মফম কয়া ফাওনা চৎকদৌরিবনি। স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু মশামক শরুক য়ারিবা পর্সনেলশিং অদুগা কিলোমিটর খরা চৎমিন্নখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংনা কিলোমিটর ২০০গী ৱাকাথোন অসি শরুক য়াবা অসিনা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওইশিংদা অনৌবা থৌনা পীগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট পাঙথোরকপগী মনুং চন্না ৱাকাথোন অসি পাঙথোকপনি। বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স, সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স, নেসনল দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্স, রেপিদ এক্সন ফোর্স, অসাম রাইফলস অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি গার্দসকী পর্সনেলশিংনা শরুক য়ারিবনি।

# মুম্বাইদা লৈবা জিও ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনল ক্রিকেট টিমদা খূৎশিন্নখ্রে



মুম্বাই, নবেম্বর ১(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী মেম্বর ওইরিবা অমদি রিলাইয়ন্স ফাউন্দেসনগী চ্যেরপর্সন নিতা অম্বানিনা মহারাষ্ট্রগী নাবি মুম্বাইদা লৈবা জিও ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমদা খূৎশিন্নখ্রে।

ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অসিদা লৈরিবা খূদোংচাবা খূদিংমক ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমদা লেম্না পীগদৌরি। মফম অদুদা ট্রাইয়ল চথবা, কেম্প পাঙথোকপা অমদি কম্পিটিটিভ মেচশিং পাঙথোকপদা শেল অমত্তা লৌরোইদৌরি।

ষ্টেদিয়ম অসিখক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা মুম্বাইদা লৈবা সার ঐচ এন রিলাইয়ন্স ফাউন্দেসন হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টরদা রিহেবিলিটেসন অমসুং স্পোর্টস সাইন্সকী খূদোংচাবশিং অদুসু পীগদৌরি।

নিতা অম্বানিনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা পাঙথোকপা ইভেন্ট কয়াদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুগী মতেং ওইনা শান্নরোয়শিংদা খ্বাইদগী ফবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ট্রেনিং অমসুং রিহেবকী খূদোংচাবশিং অসি ফংহনগদৌরিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না ঙসি লাউথোকখিবগী মতুংইন্না চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা ৱিমেন্স টি-২০ চেলেঞ্জকী টাইটল স্পোন্সর অদু জিওনা ওইরগনি হায়খ্রে। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৪দগী ৯ ফাওবা য়ু এ ঈগী সর্জাদা পাঙথোক্কদৌরি।

বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট সৌরব গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখিবদা, ৱিমেন্স টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিনা ক্রিকেট মশান্না অসিদা নুপীশিংগী মায়কৈদগী হেন্না শরুক য়াবগী খূদোংচাবা অমা পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

# থাঙ-তা নুমীৎকী থৌরম মখা চথরি



ইম্ফাল, নবেম্বর ১(ঐচ এন এস): হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা লাক্লিবা নবেম্বর ১৫ ফাওবা থাবুম অমা চুপ্না চথরিবা 'থাঙ-তাগী নুমীৎ' (থাঙ-তা দে)গী থৌরম 'থাঙ-তা ফোর হেল্থি নেসন' হায়বা পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবগুম ১৭নি চনবা নুমীৎ ঙসি মোইরাংকম্পুদা লৈবা পুরিবী পুরিবা লাইবুংদা মণিপুর মার্সিয়ল আর্ট একাদেমি (এম এম এ)না শীন্দুনা থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা মীয়াম পূন্না লাইবুং অসিগী অকোয়বদা লম-তু শীৎ শেংবা, লৈখিদ্রবা থাঙ-তাগী শিন্তাকপুরেলশিংগী মমিশিংদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা এৱ্যেরনেস পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়না থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভিনর লাইশ্রম সাইত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎকুমার মঙাং, থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ইরোম ইবোমচা মঙাং অমসুং মোইরাংকম্পু জি পিগী প্রধান লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনখি। থৌরম অসিগী লোইশিল্লকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা নুপা-নুপী খাক্তনা মীপূম খূদিংমক থাঙ-তা মহৈ পূন্না তম্লসি হায়বা ৱাখল্লোনদা থাংজম ভুমিকানা নীংথিজরবা থাঙ লৈতেং হাইবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

# লিভরপুল, চেলসি, পি এস জি মায় পাকখ্রে, বর্সেলোনা দ্রো চৎখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ১(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা লিভরপুল অমসুং চেলসি মখোয়-মখোয়গী মেচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে। লালিগাদা বর্সেলোনা দ্রো চৎখ্রে। অদুবু এটলেটিকো মাদ্রিদ থোইবা ঙমখ্রে। ফ্রান্সকী লীগ ৱানদা পেরিস সেন্ট জর্মেন মায় পাকখ্রে।

**ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ :**

কুমজা ২০১৯-২০গী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন ওইখিবা লিভরপুলনা হৌজিক চথরিবা সিজনগী ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট ১৬ ফংবগা লোয়ননা লীগ অসিগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। মেচ অদুগী হৌরকপদা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাব্লো ফোরনালসনা ১০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

লিভরপুলগী মায়কৈদগী মহমদ সালানা ৪২শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অদুগা মেচকী ৮৫শুবা মিনটতা লিভরপুলগী দায়োগো জোটানা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চেলসিনা বর্নলেবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। চেলসিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা হাকিম জিয়েকনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং অনীশুবা হাফতা কর্ট জোমা অমসুং টাইমো ৱার্নরনা পাঞ্জল ২ চল্লগা মায় পাকখি।

**লালিগা :**

স্পেনগী লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা বর্সেলোনা অমসুং দিপোর্টিভো অলাভেজ পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। অহানবা হাফতা দিপোর্টিভোগী মায়কৈদগী লুই রিয়োজানা পাঞ্জল চনখি। অদুগা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদুনা ৬৩শুবা মিনটতা এন্টোইন গ্রিজমেননা চনখিবনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখি। এটলেটিকোগী মায়কৈদগী জোৱা ফেলিক্সনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মহাক্কী মায়কৈদগী হেটট্রিক ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা পেনাল্টি কাওবদা চলহৌদবদগী মাঙজখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা লুকাস টোরৈরানা চনখিবনি। অদুগা ওসাসুনাগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা এন্টে বুদিমিরনা চনখি।

**লীগ ৱান :**

ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানদা ঙরাং মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি)না নান্টেজপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। পাঞ্জল অহুম্মক অনীশুবা হাফতা চনখি। এন্দর হেরেরানা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং অনীশুবা পাঞ্জল অদু পেনাল্টিগী মতেংনা কিলিয়ান মাপেনা চনখি। লোয়ননা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু টিম অদুমক্কী পাব্লো সারাবিয়ানা ৮৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা রেন্সনা ব্রেষ্টপু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদ্রবা মতুং ব্রেষ্টকী ফ্রাঙ্ক ওনোরাটনা ৫৬শুবা মেচতা চনখ্রবা মতুং রেন্সনা ৬৫শুবা মিনটতা দামিয়ন দা সিলভাগী পাঞ্জলনা ইক্কেলাইজর অদু ওইহনখি। অদুগা ৬৯শুবা মিনটতা নেফ ওগর্দনা রেন্সকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

**বুন্দেসলিগা :**

জর্মনিগী বুন্দেসলিগাদা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাকনা রাসেনবোলস্পোর্টপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। অদুগা ওক্সবর্গ ফুটবোল ক্লবনা মাইঞ্জ ০৫পু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

# হালেপ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১(এজেন্সী): মমাংদা নুপীগী টেনিসকী সিঙ্গলস নম্বর ৱান ওইরম্বা হৌজিক-হৌজিক্কা নম্বর টু পোজিসনদা লৈরিবা রোমানিয়াগী শান্নরোয় সাইমোনা হালেপ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে।

মশাগী চহী ২৯শুরবী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকপদা মহাক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে। হৌজিক-হৌজিক মশাগী ময়ূমদা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগা লোয়ননা মশা ফগৎলক্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

# মনা-মথুমশিং য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ)না ওগষ্ট ১৩ (পেট্রিয়টস দে)দা ইমাগীদমক কথোকচখিবা কন্টেষ্ট 'ফ্রী হেন্দ হ্বোল বোদি ৱর্ক আউট এট হোম' হায়না মিংথোনবা ওনলাইন কন্টেষ্ট অসিগী মনা-মথুমশিং লাক্লিবা নবেম্বর ১৫গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এ এম বি বি এগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা য়েন্থোকচরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমলেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, নুমীৎ অসিমক্তদা এ এম বি বি এগী ২০২০-২০২১গী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিংসু এ এম বি বি এগী ওফিসতা পুং ২ তাবদা পাঙথোকচগনি। এ এম বি বি এদা রেজিষ্টর তৌরবা মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা মেম্বরশিপ রিন্যুএল তৌবীবগা লোয়ননা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং অসিবু এস ও পি ঙাক্লা শরুক য়াবীনবা খঙহল্লক্লি।

এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং অসিদা মরু ওইনা চহী খূদিংগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্তুনা লাকপা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্ট হন্দক চহীগী ওইনা ৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২০ অসিগী মতাংদা খন্নজগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com